## য়ুম মৈ থারগা মী মঙা থাঙনা থিল্লগা হাৎখ্রে

সিওল, এপ্রিল ১৭(এজেন্সি):
সাউথ কোরিয়াদা মীওই অমনা মহাক্কী এপার্টমেন্ট মৈ থাখিবগা লোয়ননা বিল্ডিং অদুদগী চেন্থোরকখিবা মহাক্কা থংননা লৈমিন্নবা মীওই কয়াদা থাঙনা থিনবদগী য়ামদ্রবদা মীওই মঙা শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই কয়ানা অশোক-অপন নংখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা, মশাগী চহী ৪২ শুরবা নুপা অদুনা য়ুমশকৈশাগী অঙনবদা সার্উর্দন সিটি জিঞ্জুদা লৈবা বিল্ডিং অদু মৈ থাবা হৌখি অমসুং বিল্ডিং অদুগী অনীশুবা ফ্লোরদা ঙাইদুনা লৈরগা চাক্লিবা মৈদগী নান্থোক্লবা হোৎনদুনা মখাদা চেন্থরকখিবা মীওইশিং অদুদা মহাক্না এটেক তৌখি। মীওই কয়াদা থাঙনা থিনখিবগী থৌদোক অদুদা শিখিবা মীওই মঙা অদুগী মনুংদা খ্বাইগী নহা ওইরিবা মীশক অদু চহী ১২ শুবতা ঙাইরিবা নুপীমচা অমনি।

## হেল্থ ইমার্জেন্সি লাউথোকখ্রে

ন্যু য়োর্ক, এপ্রিল ১৭(এজেন্সি):
ন্যু য়োর্ক সিটিগী মফম খরদা লাইকুপ থোকপগী লাইচৎ অমা শন্দারকখিবা মতুংদা সিটি অদুগী ওথোরিটিশিংনা হেল্থ ইমার্জেন্সি লাউথোকখ্রে।

মফমশিং অদুগী মীওইশিংনা সাইন্টিফিক ওইদবা তোকঙা কয়াদা থাজদুনা টিকা থাহৌদবদগী লাইকুপ থোকপগী লাইচৎ শন্দোরকখিবনি হায়রি। ইমার্জেন্সি ওর্দর অদুগী মখাদা লাইচৎ অদুনা শোকহল্লবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিং শোয়দনা টিকা থাগদবনি নৎত্রগা মখোয় দোলর ১০০০ গী ফাইন মায়োক্লবা য়াই হায়রি।

## ঈচাও থোকপদগী ওইল ৱেলশিং থিংজিনখ্রে

দুবাই, এপ্রিল ১৭(এজেন্সি):
ঈশিং ঈচাওকী ফিভম লুশিল্লকপনা ইরানগী থাও মরাং কায়না থোকপা সাউথ ৱেষ্টর্ন খুজেষ্টান প্রোভিন্সতা লৈরিবা ওইল ৱেল ১০ হেন্না লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা থিংজিনখ্রে হায়না সেমি-ওফিসল মেহর ন্যুজ এজেন্সিনা হায়রি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না ওইল ৱেলশিং থিংজিনবগী থৌরাং অদুনা মরম ওইদুনা শুংদ্রোক্ত্রিবা থাও পুথোকপগী চাং নোংমদা বেরেল ২০,০০০ ফাওবা হন্থরে হায়রি। চহী ৭০ গী মনুংদা ইরানদা থোকপা খ্বাইদগী ঈচাও অদুদা মীওই ৭৬ শিখ্রবনি।

# সাউথ এসিয়াগী ঈশিং ঈচাওদা মীওই ৮৭ শিখ্রে, পাক শন্না অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখ্রে



কারাচি, এপ্রিল ১৭(এজেন্সি):
নোং কন্না চুবদগী সাউথ এসিয়াগী অচৌবা লৈবাক অহুম ইন্দিয়া, পাকিষ্টান অমসুং অফঘানিষ্টানগী মফম কয়াদা খঙহৌদনা ঈশিং ঈচাও থোক্লকপদগী মীওই ৮৯ শিরে হায়না ওফিসলশিং অমসুং লোকেল মিদিয়ানা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

সাউথ এসিয়াদা অখাক-অরাও য়াওবা অকনবা নুংলৈ নুংশিৎ কয়া নোংচুপ থংবা মায়কৈদগী শীৎচিৎলকপা হৌরকখিবগা লোয়ননা মেট ওফিসনা মথং পুং ২৪ দগীনা পুং ৪৮ ফাওবগী মনুংদা লমদম অসিদা মখা তানা নোং কন্না চুরকখিগনি হায়না ফোর্কাষ্ট তৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী অৱাং, ময়াই থংবা অমসুং নোংচুপ থংবা ষ্টেটশিংদা হৌখিবা লৈবাকপোকপা ফাওবদা অখাক-অরাও য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎশিংনা য়ামদ্রবা মীওই ৩৫ শিহনখ্রে হায়না লোকেল মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

খ্বাইদগী ফিভম থিনা শোক্লিবা ষ্টেট মৈধ্য প্রদেশতা মীওই ১৬ শিখ্রে হায়না ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর কমলনাথনা কনফার্ম তৌখ্রে। মতম চাদনা নোং কন্না চুশিলক্তুনা মীওই কয়াগী পুন্সি লোমহনখিবদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে। ওথোরিটিশিংনা ঈচাওগী ফিভম কুপ্না য়েংশিল্লি হায়রি।

য়ুমথংনবা লৈবাক পাকিষ্টান্দা হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা নোং কন্না চুবগা লোয়ননা খঙহৌদনা মফম কয়াদা ঈচাও থোক্লকপদগী মীওই ৩৯ শিখ্রে অমসুং অতৈ কয়া অমনা অশোক-অপন নংলে হায়না ওফিসলশিং অমসুং লোকেল মিদিয়ানা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা রিলিফ অমসুং রেস্ক্যু ওর্গনাইজেসনশিংগী থবকশিং শীন লাংলিবা ষ্টেট এজেন্সি নেসনল দিজাষ্টর ওথোরিটিগী মতুং ইন্না মী শিবগী পাউ অয়াম্বা নোর্থৱেষ্টর্ন খাইবর পাকতুনখ্বা (কে পি) অমসুং সাউথইষ্টর্ন বলোচিষ্টান প্রোভিন্সশিংদগী লাকখি হায়রি। প্রোভিন্স অনী অসিদা য়ুম ৮০ রোম মাঙহন তাকহনখ্রে হায়নসু ওথোরিটি অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

কে পি অমসুং বলোচিষ্টানগী মফম খরদা নোং কন্না চুদুনা খঙহৌদনা ঈচাও থোকচিল্লকপদগী মীওই চা কয়া খরা শাফগদবা মফমশিং থিদুনা হোংদোক্লখ্রে। নোর্থ ইষ্টর্ন পঞ্জাব প্রোভিন্সকী সিটি কয়াদসু নোং কন্না চুখি হায়না লোকেল ব্রোদকাষ্টর জিও ন্যুজকী পাউনা হায়রি।

টেলিভিজন ফুটেজনা বলোচিষ্টানগী মফম খরদা খু য়ৌনা লুবা ঈচাওগী ঈশিংনা গাড়ি কয়া থুজিনবা অমসুং আর্মি ট্রুপশিংগা লোয়ননা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা ঈচাও নংলবা মীয়ামদা মতেং পাংবগী শক্তম উৎখি।

অফঘানিষ্টানগী মফম কয়াদসু অকনবা নুংশিৎকা লোয়ননা নোং কন্না চুবদগী হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মফম কয়া ঈচাও থোক্তুনা অমাঙ-অতা কয়া থোকখ্রে। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঈচাওগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ শিখ্রে। লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট মোহম্মদ অসারফ ঘানিনা চ্যের লৌদুনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অৱাংবা থাক্কী মীফম পাঙথোক্তুনা ঈচাওগী মরমদা খন্নখ্রে হায়রি।

# মসুদ অঝারবু য়ু এননা ব্লেকলিষ্ট তৌবগী ৱাফম থুনা ৱারোইশিন লাক্লগনি : চাইনা




বৈজিং, এপ্রিল ১৭(এজেন্সি):
পাকিষ্টানদা বেজ তৌবা টেররিষ্ট মাসুদ অঝারবু য়ু এন পেনেলদা ব্লেকলিষ্ট তৌবগী থৌরাং অসি লৈখায় তান্নবা য়াবগী মায়কৈদা য়াংনা চঙশিল্লক্লি হায়না চাইনানা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা মরান্নাইগী ওইবা দ্রাফ রিজোল্যুসন অমা হাথু-হাথু পুথোক্তুনা নম্ফুগী থৌওং চপ্থদনবসু চাইনানা য়ু এসতা তকশিনখ্রে। অঝারবু ব্লেকলিষ্ট তৌবগী মতাংদা টেক্নিকেলগী ওইবা ৱাফমদা চাইনানা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখত্তনা লৈরিবদু খুদক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং এপ্রিল ২৩ ফাওবগী মনুংদা লৌখৎনবা য়ু এস, য়ু কে অমসুং ফ্রান্সনা বৈজিংদা প্রেসর পীখ্রে হায়বা ৱাফম্বুসু বৈজিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

রিপোর্ট খরনা করিগুম্বা বৈজিংনা অঝারবু ব্লেকলিষ্ট তৌবগী মতাংদা পায়খৎফম থোকপা খোঙথাংশিং হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা পায়খৎলক্তবা তারবদি মখোয়না য়ু এন সিক্যুরিটি কাওন্সিল (য়ু এন এস সী)দা খন্নবগা লোয়ননা ভোট লৌনদুনা পাস তৌনবা রিজোল্যুসন অমা পুথোক্লগনি হায়না পনখিবনি।

মাসুদ অঝারবু ব্লেকলিষ্ট তৌবগী ৱাফম অসিদা চাইনাগী ফিরেপ্তা অহোংবা লৈতে। ঐখোয়না মরী লৈনবা পার্টিশিংগসু লেপ্তুনা পাউ ফাওনরি। ৱাফম অসি লৈখায় তান্নবা য়াবগী মায়কৈদা চঙশিল্লক্লি হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন লু কাংনা বৈজিংদা ফোঙদোকখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল পীনবা পাউমীশিংগী মায়কৈদগী তকশিনখিবদা লূনা শেংনা খুমখিদে হায়রি।

ব্লেকলিষ্টিংগী ৱাফম ১২৬৭ কম্মিটিদা খন্নবদা ইনফম থোকপা প্রসিজর কয়া লৈ। য়ু এন এস সী অমসুং মসিগী মখাদা লৈবা অতৈ বোদিশিংগীসু চৎন-পথাপ কয়া লৈরি। মেম্বরশিংনা অসিগুম্বা চৎন-পথাপশিং অসি ঙাকফম থোকই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# য়ু এসনা য়েমেনগী লান্দা য়াওবা লেপ্পবগী রিজোল্যুসন ট্রম্পনা ভিটো তৌখ্রে

ৱাশিংটন, এপ্রিল ১৭(এজেন্সি):
য়েমেন্দা সাউদি অরবিয়ানা লুচিংদুনা চথরিবা লান্দা য়ু এসনা শৌগৎপা লেপ্পনবা কোংগ্রেসনা পাস তৌখিবা রিজোল্যুসন অমা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ভিটো তৌখ্রে।

কোংগ্রেসকী খোঙথাং অদু কান্নদবদা মহাক্কী কন্সটিট্যুস্নেল পৱার শোন্থহন্নবা হোৎনরকপা থৌরাং অমনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা ট্রম্পনা রিজোল্যুসন অদু ভিটো তৌখিবনি। ট্রম্পনা প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈ মনুংদা হৌজিক ফাওবদা কোংগ্রেসকী মোসন ভিটো তৌবা অসি হন্দক্কীসিনা অনীরকশুবনি।

হৌখিবা থাদসু লৈবাক অদুগী খা থংবা বোর্দরদা ৱাল চন্নবা মহাক্না ইমর্জেন্সি লাউথোকখিবদা য়াখিদবগী মোসন অমা ট্রম্পনা ভিটো তৌখিবনি। রিজোল্যুসন অসিনা ঐহাক্কী কন্সটিট্যুস্নেল ওথোরিটিশিং শোলহনবতা নত্তনা অমেরিকান



সিটিজনশিং অমসুং থৌনা ফরবা লৈবাক অসি সার্ভিস মেম্বরশিংগী পুন্সিদা খুদোংথিবা কয়া হৌজিক্তা নত্তনা তুংদসু নংহল্লক্কনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা থৌরাং অদুবু ভিটো তৌরবা মতুংদা ট্রম্পনা ফোঙদোকখি। ট্রম্পনা হায়খি মদুদি, অরাবিয়ান পেনিলসুলাদা অলকাইদা অমসুং ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা কাওন্টর টেরোজিম ওপরেসন কয়া চথবসি নত্তবদা য়ু এসনা য়েমেনগী লান্দা হকথেংননা শরুক য়াদবনা কোংগ্রেসকী থৌরাং অসি মরম চাদে। য়েমেনগী হৌথি রেবেলশিংগী মায়োক্তা সাউথিনা লুচিংবা কোলিসন ফোর্সশিংনা চঙশিল্লিবা লাঞ্জংদা য়ু এস ট্রুপশিংনা শরুক য়াবসু লৈতে, কম্মান্দ তৌবসু লৈতে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# ইন্দোনেসিয়াগী মীখলদা প্রসিদেন্ট জুকো ৱিদোদোনা অমুক হন্না মাই পাকপা য়ানা লৈরে

জকারটা, এপ্রিল ১৭(এজেন্সি):
ইন্দোনেসিয়াগী য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্টগী মীখলগী রিজল্ট লাকপা হৌখিবগা লোয়ননা হৌজিক লৈরিবা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট জুকো 'জুকোৱি' ৱিদোদোনা অমুক হন্না মাই পাকপা য়াবগী ফিভম লৈরে।

পোলিং ষ্টেসন খরগী ভোট মশিং থিবা লোইশিনখিবদা ওপিনিয়ন পোলশিংগা চান্ননা ৱিদোদোনা মীখল অসিদা অমুক হন্না মাই পাকপা য়াবগী ফিভম লৈরে হায়বগী ইঙ্গিৎ ফংখিবনি। মহাক্না অনীশুবা চহী ৫ গী টার্ম অমগসু পায়রগনি হায়বসি ওপিনিয়ন পোলশিংনা মাঙজৌননা উৎখ্রবনি।

মালেমগী অহুমশুবা খ্বাইদগী চাওবা দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অদুগী মথংগী প্রসিদেন্ট খন্নবগীদমক ইন্দোনিসিয়ন মিলিয়ন কয়ানা ভোটিং বুথশিংগী মমাঙদা পরেং



লেংনখি। মীখল অদু ৱিদোদো অমসুং মহাক্কী মতম শাংনা লৈরক্লবা লম্বা ওইরিবা হান্নগী আর্মি জেনরেল প্রৱাবো সুবিয়ান্টোগী মরক্তা পাঙথোকপা কনটেষ্ট অমনি।

মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা নোংমখক্কী ওইবা মীখল অদুদা জুকোৱি হায়নসু খঙনবা ৱিদোদোনা ভোট চাদা ৫৫.৩৪ ফংবা ঙমখি। অদুগা সুবিয়ান্টোনা চাদা ৪৪.৬৭ ফংবা ঙমখি। মশিং অসি সাইফুল মুজানি রিছার্চ এন্দ কন্সল্টিং ফার্মনা অহানবগী ওইবা ভোট মশিং থিবদা য়ুম্ফম ওইরগা পীরকখিবা প্রোজেক্সনশিংগী মতুং ইন্ননি হায়না ইফে ন্যুজনা হায়রি।

জেনরেল ইলেক্সন্স কম্মিসন ওফ ইন্দোনেসিয়া (কে পি য়ু)না মীখল অদুদা ভোটর চাদা ৭৭.৫ থোক্লকখি হায়না পাখি। ভোটর মশিং য়াম্না ভোট থাদহন্নবগীমক্তা লৈঙাক্না য়ুমশকৈশা নুমিৎ অসি নেসনল হোলিদে লাউথোকখিবনি। ইলেক্সন কম্মিসন্না লাক্লিবা মেদা মীখলগী রিজল্টশিং ওফিসল ওইনা লাউথোক্লগনি হায়রি।

লৈবাক অদুদা অওনবা পুরক্কনি হায়বগী ৱাশক্তা লোয়ননা লৈবাক অদুগী পোলিটিকেল এলিটকী মরক্তগী থোক্লকখিবা মীশক অমা ওইনা প্রসিদেন্ট ওইরকখিবা ৱিদোদোনা সোসল অমসুং চাওখৎ-থৌরাংগী পোলিসি কয়া পুথোকপদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা লৈঙাকখি। ৱিদোদোনা জর্কারটা সিটিদা মহাক্কী ভোট থাদখি। মদুগী মমাঙদা মহাক্কী লম্বা ওইরিবা সুবিয়ান্টোনা বোগোরদা লৈবা পোলিং ষ্টেসন অমদা ভোট থাদখি।

# 'জিহাদিষ্টশিং ইটালিদা লিবিয়াদগী লাকপা রেফ্যুজিশিং ওইনা চঙলকপা য়াই'



রোম, এপ্রিল ১৭(এজেন্সি):
লিবিয়াদগী চওম শানা লাক্লিবা রেফ্যুজিশিংগী মরক্তা ফোরেন ফাইটর কয়াসু ইটালিদা থুংজিল্লবা য়াবগী ফিভম অসিনা নোর্থ অফ্রিকাগী লৈবাক অদুগী লান লেপহন্নবা হোৎনরিবা ইটালিগী লৈঙাক্তা মীপাইবা পোকহল্লে হায়না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর গিয়ুসেপে কোন্টেনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

লিবিয়াগী ৱাথোক অসিনা ইটালিগী লৈঙাকপু ৱাহল্লে। লিবিয়াদা অচৌবা হ্যুমেনিটরিয়ন দিজাষ্টর অমা থোকহনবা ঐখোয়না মখা তানা অঙম্বা থাক্তা হোৎনখিগনি। অসিগুম্বা ফিভম অমা লাকপা তারবদি ফোরেন ফাইটর কয়া ইটালি অমসুং য়ুরোপকী অতৈ লৈবাক কয়াদা চঙশিল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈ। মরম অদুনা ঐখোয়না লিবিয়াগী লান অসি খুদক্তা লেপহনবা পাম্মী হায়না কোন্টেনা ফোঙদোকখি।

ট্রিপোলি অমসুং লিবিয়াগী অৱাং-নোংচুপ থংবা সিটি মিসক্রাটাদা হৌজিক হৌজিক ফাজিন্দুনা থল্লিবা ইস্লামিক ষ্টেটকী ফাইটর ৪০০ রোম লৈবাক অদুদা লৈরিবা কাং খোং চাইবগী ফিভমগী খুদোংচাবা লৌদুনা য়ুরোপতা চেল্লকপা য়াই হায়না লিবিয়াগী য়ুনাইটেদ নেসন্সনা শৌগৎপা লৈঙাক্কী দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর অহমদ মাইটিগনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রোমদা ফোরেন মিদিয়াগী মীওইশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা ফোঙদোকখি। ট্রিপোলিদা ইষ্টর্ন মিলিটরি ষ্ট্রোংমেন খালিফা হাফটরগী মিলিস্যা অমসুং য়ু এননা শৌগৎপা লৈঙাক্কী ফোর্সশিংগী মরক্তা শোক্নরিবা শাথিরবা লান লেপহন্নবা ট্রুস অমা পুরক্লবগী পান্দমদা কোন্টে অমসুং ফোরেন মিনিষ্টর মিলানেসিনা মাইটিগ অমসুং কন্টরগী দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর লোইননা ফোরেন মিনিষ্টরগা রোমদা ৱারী শান্নখিবনি।

# সোহাইল মহমূদনা পাকিষ্টানগী ফোরেন সেক্রেটরি ওইরগনি



ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ১৭(এজেন্সি):
হান্না ইন্দিয়াদা পাকিষ্টান হায় কম্মিস্নর ওইনা থবক পুরন্নবা সোহাইল মহামূদনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পাকিষ্টানগী অনৌবা ফোরেন সেক্রেটরি ওইনা ওফিস পায়বা হৌখিবগা লোয়ননা অনৌবা ফোরেন সেক্রেটরি অসিনা লৈবাক অসিগী ফোরেন মিনিষ্টর সাহ মহমূদ কুরেসিগা লৈবাক অসিগী ফোরেন পোলিসিগা মরী লৈনবা ইশ্যু কয়াগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়রি।

চহী অনী পাকিষ্টানগী ফোরেন সেক্রেটরি ওইরন্নগা হৌখিবা এপ্রিল ১৬তা মফম থাদোকখিবা টেহমিনা জনঝুৱাগী মহুৎ শীন্দুনা মহমদনা ফম অসি পায়রিবনি। ফোরেন মিনিষ্টর কুরেসিনা মহমূদতা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাকপু এক্সপিরিএন্স লৈরবা মতিক চারবা দিপ্লোমেন্ট অমনি হায়না শিংথাখিখ।

কুরেসিগী ৱাহৈশিং অদুগী পাউখুম ওইনা মহমূদনা মহাক্কী অঙম্বা থাক্তা মথৌ পাঙথোক্তুনা লৈবাক অদুবু থৌগল তৌগনি হায়খি। মহমূদ মমাঙদা টর্কিদা পাকিষ্টানগী এম্বেসেদর ওইনসু থবক পুরম্লে। মদুগী মমাঙদা থাইলেন্দদসু এম্বেসেদর ওইনা অমসুং কুমজা ২০১৩ ফাওবা য়ুনেস্কো বেঙ্কোক্তা পার্মিনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিভ ওইনসু লৈরম্লে।

বেঙ্কোক্তা ওফিস পায়দ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক য়ু এন সিক্যুরিটি কাওন্সিলদা লৈরিবা পাকিষ্টান দেলিগেসনগী পোলিটিকেল কোওর্দিনেটর ওইনসু থবক পুখি।

# নহা ওইরিবী নুপী অমা হাৎখিবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা তকশিনখ্রে

ধাকা, এপ্রিল ১৭(এজেন্সি):
মদ্রাসাগী মহৈরোয় নুপী মচা অমা হাৎখিবগী থৌদোক বংলাদেশ লৈঙাক্না মপুং ফানা থিজিন্নবা অমসুং মীহাৎ অদুদা চেন্নবশিং ৱায়েল চথদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীনবা হ্যুমেন রাইটস ৱাটচনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা তকশিনখ্রে।




রেপ তৌনবা হোৎনখিবগী থৌদোক অমগী মতাং কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌখিবা মতুংদা নুসরট জহান রাফি কৌবী মহৈরোয় নুপী অসিবু হাৎখ্রবা মতুং অসিদা ওথোরিটিশিংনা লৈবাক অদুদা সেক্স্যুএল ভাইওলেন্স থেংননবা অকনবা থৌরাং কয়া পায়খৎফম থোকই হায়না রাইটস গ্রুপ অদুনা ফোঙদোক্লি।

পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা, মশাগী চহী ১৮ শুরবী নুরসাট জহান রাফি কৌবী মদ্রাসাগী মহৈরোয় নুপীমচা অসি হৌখিবা এপ্রিল ৬ তা মোইথেম তৌদুনা ফেনিদা লৈবা মহাক্কী মদ্রাসা অদুদা শেমগৎলিবা সাইক্লোন সেল্টর অমগী মথক্তা কাহনখি। মফম অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই মরিনা মহাকপু ফারগা কেরোসিন হৈজিন্দুনা মৈ থারগা হাৎখি।

থৌদোক অদু মহাক্না মদ্রাসা অদুগী প্রিন্সিপাল সিরাজ উদ-দৌলাগী মায়োক্তা মার্চ ২৭ তা থাংগৎখিবা রেপকী কমপ্লেন্ট অমা হন্দোকউ হায়বা য়াখিদ্রবা মতুংদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা মহাক্কী মশাদু চাদা ৮০ মৈ চাকখিবগা লোয়ননা মহাক হৌখিবা এপ্রিল ১০ দা শিখিবনি। থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা বংলাদেশ শীন থুংনা মীয়াম্না ইরাং হৌরকখি। প্রোটেষ্টরশিংনা লৈবাক অদুদা রিফোর্ম কয়া পুরক্কবা অমসুং সেক্স্যুএল এসোল্টকী মায়োক্তা লৈবাক অদুদা অকনবা লো কয়া চৎনহন্নবা লৈঙাক্তা তকশিনখি।

# অন্দরগ্রাউদ ট্রেন সার্ভিসতা অকায়বা পীগনি হায়না এক্টিভিষ্টশিংনা কিহনখ্রে




লন্দন, এপ্রিল ১৭(এজেন্সি):
গ্লোবেল ক্লাইমেট চেঞ্জ থেংননবা মশক থোকপা খোঙথাং কয়া লৌখৎনবা বৃটিশ গভর্নমেন্টতা তকশিল্লদুনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা ইনভাইরনমেন্টেল এক্টিভিষ্টশিংনা মখোয়গী খোঙজংগী হুম্নি চনবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লন্দনগী অন্দরগ্রাউন্দ ট্রেন সার্ভিসেসতা অয়েৎ-অপন পীরগনি হায়না কিহনখ্রে।

ক্লাইমেট গ্রুপ এক্সটিঙ্কসন রেবেলিয়ন্না চঙশিল্লকখিবা খোঙজং অদু হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা কনশিল্লকখিবনি। মখোয়না মার্বল আর্চ অমা, ওক্সফোর্দ সার্কস অমসুং ৱাটরলু ব্রিজ থিংজিনখি। সেল বিল্ডিংগী থোঙ অমা থুগায়বতা নত্তনা মখোয়না পার্লিয়ামেন্টতা সেমি-ন্যুদ প্রোটেষ্ট অমা পাঙথোক্তুনা লোমেকরশিংবুসু হঙোইহনখ্রবনি। হৌজিক ফাওবদা ওথোরিটিশিংনা প্রোটেষ্টর ২৯০ ফাগৎখ্রে।

# সেটলাইট ইমেজশিংনা নোর্থ কোরিয়াগী মরু ওইবা ন্যুক্লিয়র সাইটতা চথরিবা এক্তিভিটিশিং উৎখ্রে

ৱাশিংটন, এপ্রিল ১৭(এজেন্সি):
রেদিওএক্টিভ মেটরিএলবু বোমগী ফ্যুএল ওন্থোকপগী রিপ্রোসেসিংগা মরী লৈনরম্বা য়াবা এক্তিভিটি খরা নোর্থ কোরিয়াগী মরু ওইবা ন্যুক্লিয়র সাইটতা চথরম্বগী ফিভম সেটলাইট ইমেজশিংনা উৎলে হায়না য়ু এসকী থিঙ্ক টেঙ্ক অমনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।




অনৌবা রিপ্রোসেসিংগী এক্তিভিটি অদুনা হানোইদা হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিম উন-জোংগী মরক্তা কোরিয়ন পেনিলসুলাদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈহন্দনবগী পান্দমদা পাঙ-থোকখিবা অনীশুবা সম্মিট অদু মাই পাকখিদ্রে হায়বসি ময়েক শেংনা উৎলে হায়না লৌবা য়াই হায়রি।

ৱাশিংটনগী সেন্টর ফোর ষ্ট্রেটেজিক এন্দ ইন্টরনেসনল ষ্টদিজদা হন্দক্তা ফোঙখিবা রিপোর্ট অমদা হায়, নোর্থ কোরিয়াগী য়োংবিওন ন্যুক্লিয়র সাইটতা হৌখিবা এপ্রিল ১২ দা লৈখিবা ফিভমগী সেটলাইট ইমেজশিংনা প্লান্ট অদুগী য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্ট ফেসিলিটি অমসুং রেদিওকেমিস্ট্রি লেবোরেটরি মনাক্তা অখন্নবা রেল কার মঙাগী শক্তমশিং উৎখি। রেল কারশিং অদুনা চৎথোক চৎশিন তৌরিবদু রেদিওএক্টিভ মেটরিএল পুথোক পুশিন তৌরিবনি হায়বসি তাকই হায়না রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি। য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ইন্টলিজেন্সকী ৱাফমশিংগী মতাংদা কমেন্ট পীয়ু য়াখিদ্রবসু য়ু এস লৈঙাক্কী মরু ওইবা সোর্স অমনা হায়খি, এক্সপার্টশিংনা মুভমেন্টশিং অদু রিপ্রোসেসিংগা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়রবসু মদু অচৌবা ন্যুক্লিয়র এক্টিভি ওইরম্বা য়াবগী ফিভমদদি মখোয়না চিংনরি।

# য়ুগান্দানা বাসিরদা চঙজফম পীনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে



কমপালা, এপ্রিল ১৭(এজেন্সি):
ইন্টরনেসনল ক্রিমিনেল কোর্ট (আই সী সী)না ক্রাইম কয়াদা মরী লৈননা মরাল শীখ্রবা মফমদগী চিংথুখ্রবা সুদানবু লুচিংবা ওমার অল-বাসিরদা পোলিটিকেল চঙজফম পীনবা য়ুগান্দানা খন্নরগনি হায়না কম্পালাদা ফোরেন এফেয়রস মিনিষ্টরনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

বাসিরনা য়ুগান্দাদা চঙজফম লৌনবা হায়জরকপা মতমদা লৈবাক অসিনা খন্নদবা তৌরোই হায়না য়ুগান্দাগী ষ্টেট মিনিষ্টর ফোর ফোরেন এফেয়রস ওকেলো ওর্য়েমনা ন্যুজ এজেন্সি অমদা হায়খি।

মিলিটরি কু অমা পাঙথোক্তুনা সুদানবু চহী ৩০ হাইহুম্না পাল্লকখিবা মশাগী চহী ৭৫ শুরবা বাসির মীয়াম্না থা কয়ামুক প্রোটেষ্ট তৌরকখিবা মতুং মিলিটরিনা হৌখিবা চহীদা মফমদগী চিংথুখিবনি।

চহী ১০ মুক্কী মমাঙদা সুদানগী নোংচুপ থংবা দার্ফুর রিজন্টদা থোকখিবা লালহৌবগী ইরাং মনুংদা মীওই ৩০০,০০০ শিখিবগী মতাংদা হান্নগী সুদানগী লুচিংবা অসি ইন্টরনেসনল ক্রিমিনেল কোর্টকী এরেষ্ট ৱারেন্ট অমা মায়োক্লরিবনি।